ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ০১, ২০১৮, ইম্ফাল

৪২ শুবা চহী, ১৮৮শুবা মশীং

# লময়ানবা হিজম ইরাবত

## *মতম চুপ্পদা লমন তোন্দুনতা লৈহৌরগদবা লুচিংবনি*

চাইনাদা মাও-সে-টুং, রসিয়াদা লেনিন অমদি কার্ল মার্ক্স, ইন্দিয়াদা মহাত্মা গান্ধী, সাউথ অফ্রিকাদা নেলসন মন্দেলা মালেমগী মীয়াম্না মখোয়বু অঙকপা মীওইপোকনি হায়না শীংথানবা লেপত্রি। মখোয়গী তৌবিমল অদুনা মরম ওইরগা চহী খূদিংগী কুমওন থৌরমশিং লাকপদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নরি, তুংগী মীরোলশিংদা মখোয়গী ৱাখল্লোন চুহৌননবা মখোয়গী মরমদা লাইরিক ওইনা তম্নরি। মণিপুরদসু মখোয়দগী তাদবা মীওই অমা পোকখি হায়বসি মতম অমদা খঙনরমদ্রবসু ঙসিদি খঙনবা হৌরক্লে। মনম নুংশিবা লৈরাংগী লৈনম কৈদৌঙৈদসু লোত্তুনা লৈবা য়াদবগুম, লময়ানবা ইরাবতকী মতীক-মঙাল নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মালেমগী মীপূম খূদিংমক্না শোয়দনা হংনীংগনি—লৈকূৎ-লৈরায়দা লৈবা লৈবাকসিদবু অদুগুম্বা মীওই অমা পোকখিবা লৈখিদ্রা? তশেঙনমকসুনি, মণিপুরদা পোকখিবা অফাওবা লুচিংবশিংগী মনুংদা ইরাবতসু অমনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। বর্মীজনা মণিপুরদা লান্দারক্তুনা চহী তরেৎ চূপ্না মণিপুরীশিংবু হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনবা নৈহৎখ্রবা তুংদা গম্ভীরসিংহ অমদি নরসিংহ মহারাজ মচীন-মনাও অনীনা মণিপুরী খুন্নাইবু কনখিবা, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদা মণিপুরী ওইনা লেংদনা লৈগদবনি হায়বা থৌদাং লৌখিবা মীওই অদু ইরাবতনি। নুপা অসি করিগুম্বা পোল্লমদ্রবদি ঙসি অপূনবা শক্তম অমা ওইরিবা মণিপুর লৈরমদবসু য়াই। ইচম চম্বা লৌমী অমগী ইমুংদগী পোক্লকখিবা মীওই অমনা মতম অদুদা লৈবাক নিংথৌগী মন্ধাক ইবুংঙো ওইদুনা লৈবাক্না শকখঙ-মায়খঙনরবা অমদি মীপূম খূদিংমক্না ইকায় খুম্নবা য়ারবা ফিদা অমা ফংলবসু তোল্ল-তারবা, নৈহৎপীরবা মীয়ামগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনজরম্বা অমদি মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমগী ৱাখলনা মপুন্সি কেমখিবা মীশক অমনি। মহাক্কী লৈজবা খূদিংমক তোল্ল-তারবশিংদা কখোকপদা হালেঙদবা, লৌমীশিংনা লৌগী মপূ ওইজগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা থৌবাংবা, নমথবীবশিংবু মখূৎ পায়রগা চিংখৎতুনা থম্বিরম্বা মীশক অমা ওইনসু মহাকপু শীংথাদবা য়ারোই। মখূৎনা ইবা পাউচে ফোঙবদসু মহাক লময়ানবা অমনি। মরৈবাক নুংশিবগী ঈহুল পীবা ঙম্বা শৈরাংবা অমদি শৈশকপসু ওইখিবা লময়ানবনি। মশামক ফম্বাক লীলাগী এক্তর অমনি। শক্লাইরবা পোলিটিসিয়ন অমসুনি। মণিপুরদা লৈবা য়ারক্তবদগী কাছাড়দা মীচেল ওইদুনা চেল্লফাওবদসু মফম অদুদা পোলিটিক্সতা শক্লাইরবা মীশক অমা ওহখি। মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মঙ মঙজরিবা কনাগুম্বশিংগীসু লুচিংপুরেলনি। শোক্ল-শম্নবা য়াদে হায়বা লাইনীং লম্বীগী অখূবা মীৎয়েংগী মায়োক্তা লাম্থেংনখিবা অফাওবা মীওই অমসুনি।

লময়ানবা ইরাবত ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০দা পিশুমথোং ওইনাম লৈকায়দা পোল্লগা য়াইস্কুলদা চাউরকখিবনি। মহাক্কী তেল্লবা পুন্সি মতেক খরদা থোকখিবা মরূ ওইবা থৌদোক অয়াম্বা সেপ্টেম্বর থাবূমদদা ওইখি। পোকপসু সেপ্টেম্বরদা, অন্দরগ্রাওন্দ তাবসু সেপ্টেম্বর থাদা, লৈখিদবসু সেপ্টেম্বর থাদা লোইনা থোকখিবনা থাবূমসিমা লময়ানবা ইরাবতকীদি মণিপুরগী পুৱারীদদি খ্বাইদগী মরূ ওইবা তাঙ্কক অমা ওইরি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী অখন্নবা থৌশিল অমগী মখাদা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংবু পূর্বাঞ্চল প্রদেশ হায়দুনা ষ্টেট অমখক্তদা পূনশিন্নবা থৌরাং তৌখি। হায়রিবা থৌরাং অদু লময়ানবা ইরাবতনা লুচিংবা মীওই কাঙবু অমনা য়াম্না কন্না প্রোটেষ্ট তৌদুনা থিংখি। মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ শাগৎলক্তুনা পূংদোংবমদা ঈ-নাই তাবা থৌদোক থোকখি। থৌদোক অদুগী তুংদা হিজম ইরাবত মতমদুগী লৈঙাক্না ফাননবা য়াথং থোকখি। য়াথং অদুনা মরম ওইরদুনা মহাক ময়ূম থাদোক্তুনা বর্মাদা চেনখি। অসুম তৌনা মহাক্না শাগৎলম্বা চাউরবা মঙলান কয়া মঙফাওনবা য়াও, মঙফাওনদবা য়াও, তুংদা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা থৌদা শিন্নরল্লগা হিজম ইরাবত বর্মাগী জঙ্গলগী অঙ্গো চীংদা পুন্সি লোমখি। মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবত লৈখিদ্রবা তুংদা মহাক্কী মতীক-ময়াই ময়াম অদুবু খঙনরকপদগী ঙসিদি সেপ্টেম্বর থাগী থাবূম চূপ্না লময়ানবা ইরাবতকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লরে। মহাক পোকখিবা চহী ১২২ শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মমাংঙৈ মতমদা পাঙথোকপা লময়ানবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরমগা হন্দক্কী চহীদা পাঙথোকপগা খেন্নবা হায়ববু মতম শাংনা লময়ানবা অসিবু নীংশিংবা ওইনা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী লোইশঙশিং ছুটি খক্তমক থারগা তোক্লম্বদু চহী অসিদগী হৌরগা লৈঙাক্না থৌরম অসি লৌশিন্দুনা মীয়াম পূন্না শরুক য়ামিন্নরগা পাঙথোকখিবা অসিনি। মসিগা লোয়ননা ইরাবত স্কায়রদা লময়ানবা অসিগী চাউরবা মীতম অমা খিন্ননবা উরেপ-উয়ুংসু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা তমখ্রে। মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি হৌজিক্কী নেতাশিংগী ৱাখল্লোনদি শেল লৌশিনবা, লন-থুম লেপশিনবা, য়োনগনি হায়বা লম লৈশিনবনি। অদুগা লময়ানবা ইরাবতকীনা মহাক্কী লৈজবা খূদিংমক মীয়ামদা কৎপনি। অনী অসি কয়াদা খেন্নখ্রবনো? মীয়ামগী লুচিংবা ওইরগা মীগী মরল-মথুমদা মীতাবগী ৱাহম্থোক করি লৈ, মীবু মীনা তুহৎপগী, লন-থুম খরনা অনেম-অৱাং খায়বা মীওইবগী লিচৎপু লময়ানবা ইরাবতনা তুক্কৎচখি হায়বসি খঙবীরগা তুংগী মীরোলগীদমক হৌজিক্কী নেতাশিংনা কখোকপগা লোয়ননা লুচিংবা অসিগী খূদুং ইন্নবা হোৎনহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮১

১। মণিপুরগী পুৱারীদা সেপ্টেম্বর ৩০ অসিদি সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগনি, মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ হায়না। মসি ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী ড্রামা অমদা ইহান হান্না মৈতৈলোনগী ঈশৈ শকখিবা নুমিৎ অদুদগী পারকপনি।

(ক) ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী ড্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।

(খ) ইহান হান্না শান্নখিবা অদু কুমজা কয়াদনো?

২। "চৎলু অতোন : ফৌরুংবা কাদুনা কাকয়েল মীঙম্বগী মরূম লোক্লুচো, ইচীল ইনাও চাসি।" ৱাফম অসি অইবা অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। ৱারেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ৱানথখরে হৌজিক্তি পৃথিবী / চৈনাখোল খাঙবা ঙমদ্রদুনা।" পরেংশিং অসিনা 'অশিবা অহিং' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। লানলুম্বা কবি হায়নসু খঙনবা শৈরেংসিগী অইবদু কনানো?

৪। "করিগীদমক য়ূম হোংগদৌরিবনো? … ঐহাক মীনি, নুপীনি, অদুগা মপূনি।" ৱাফম অসিনা লৈমহন কৌবী অমনা মাগী নুপাদা হায়রিবনি। 'ৱাকৎ' কৌবা ৱারীমচা অদুদা। অইবীদু কনানো?

৫। গোপীনাথ মোহন্তিগী ওরিয়া উপন্যাস, 'দাদীবুধা' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকলোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

১) হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায় (৫)
২) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার (৫)
৩) সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার (৫)
৪) বিদ্যাপতি নিংথৌজম, সগ্রাম ময়ায় লৈকায় (৫)
৫) সনসম লক্ষমি চনু, হিয়াংথাং ময়ায় লৈকায় (৫)
৬) হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাংখৈ লৈকায় (৫)
৭) পুখ্রিহোংবম সেলৈমা চনু, য়াইরিপোক (৫)
৮) থিয়াম নন্দ, পাৎশোই পার্ট থ্রি (৫)
৯) নিংথৌজম সঞ্জিৎকুমার, চান্দপুর মনীং লৈকায় (৫)
১০) থোকচোম প্রেমকুমার খাঙবোক খুনৌ লৈকায়, পার্ট থ্রি (৫)
১১) সনসম য়াইফবী চনু, নোংমৈবুং চকপ্রম লৈরক (৫)
*১২) সঙ্গিতা ঙাসেপম, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায় (৫)*
১৩) থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ লৈকায়, পার্ট থ্রি (৫)
১৪) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায় (৫)
১৫) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক (৫)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮০গী ৱিন্নর**

*সঙ্গিতা ঙাসেপম, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায় (ড্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)*

লিটরেরি ক্যুইজ ৮০গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ওক্টোবর ৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০গী পাউখুম

১। ১৮৯১দা ফাঁসি তৌখ্রবা ঐখোয়গী অথৌবা অনী, চিরাই নাগা অমদি পুখ্রম্বা ফিঙাং (কাজাউ) অনীগী মিংদা হৌজিক লম্বী অনীগী মমিং থোল্লনি হায়রি।

(ক) চিরাই নাগানা হাৎখিবা সাহেব অদুগী মমিং হায়য়ু। :- **মেলভিন**

(খ) কাজাউনা হাৎখিবা মিষ্টর গ্রীমউদকী নুপীদুগী মমিং হায়য়ু।:- **ঈথেল সেন্ট ক্লেয়র গ্রীমউদ**

২। "চীন্নাইদবী মরুপ-ও/ঙাইহাক্তসু ঙাইখো-ও/লমনাইদবা মালংনি।" পরেং অহুম অসি কবি চাউবগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।:-**লমগী চেক্লা অমদা**

৩। "শান্নরি পোকপদা ঙায়রিবা নুমিৎনা/তঙাংলবা মখোঙ-মখূৎ কাওরদুনা/লোংখ্রাক লোংনা মফি থোংদনা।" পরেং অহুম অসিনা 'য়েংলু য়েংলুবদা' হায়বা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু। :- **লনচেনবা মীতৈ**

৪। ১৯৬৭তা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক অমনা অইবীশিংগী ইহান হানবা শৈরেং লাইরিকনি হায়না পানরি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু। :- **শজিবু লৈরাং**

৫। কালকূটকী বাংলা উপন্যাস 'শাম্ব' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকপদুগী মমিং হায়য়ু। :- **টি থোইবী দেবী**

## লৌমীশিংগী কাখল

# মণিপুরদা হায় য়িল্ডিং ভরাইটি (ফৌ) পুথোক্লম্বা লৌউ-শিংউগী পাইওনর খুরাইজম ধিরেন্দ্র



লৈখিদ্রবা খুরাইজম ধিরেন্দ্র



খুরাইজম ধিরেন্দ্র নহা ওইরিঙৈদা গ্লাস হাওস মনুংদা ফৌ পাম্বীশিং ওবজার্ভেসন লৌবা

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**

**মণিপুরদা** লৌউ-শিংউগী পাঙথোরকপা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা মায়ওন অমা পীরম্বতা নত্তনা হায় য়িল্ডিং ভরাইটি ওইরিবা কেদি ফৌ হায়না শম্না খঙনরিবা ফৌ মখলশিং পুথোক্লম্বা লৌউ-শিংউগী পাইওনর অমা মাঙজখিবা অসিনা খুন্নাই অসিগী লৌমীশিংদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি হায়বগী নুংঙাইতবা মতম চুপ্পদা ফাওহৌরগনি।

লৌউ-শিংউগী লমদা কেদি ফৌ পুথোক্লম্বগী পাইওনরনি হায়না শিংথারিবা অসিদি অতৈ কনা নত্তে, মতম অমদা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী দিরেক্টরগী থৌ পুরম্লবা লৈখিদ্রবা খুরাইজম ধিরেন্দ্রনি। লৈখিদ্রবা খুরাইজম ধিরেন্দ্র অপোকপগী মমিং খুরাইজম ইবুংঙোহল, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়দা পোকখি। মহাক বি এ সী, এসোসিয়েট আই এ আর আই ইন প্লান্ট ব্রিদিং এন্দ জেনেটিক্সকী দিগ্রী পায়রবা মতুংদা কটুক্তা লৈবা সেন্ট্রেল রাইস রিছার্স ইনষ্টিট্যুটতা থা তরুক্কী ওইবা নেসনল রাইস প্রদক্সন প্রোগ্রামগী ট্রেনিংসু তৌখি। মসিগী মতুংদা অমুক ফিল্লিপিন্সকী লোস ভানোসতা লৈবা ইন্টরনেসনল রাইস রিছার্স ইনষ্টিট্যুটতা য়ু এস এ আই দি প্রোগ্রামগী মখাদা থা ৯ গী ওইবা রাইস ব্রিদিং টেক্নিক্কী ট্রেনিংসু ফংখি। পাইওনর অসি মণিপুর লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা ইকনমিক বোটানিষ্ট ওইনা কুমজা ১৯৫৭ কী মার্চ ২৫ দা থবক চঙখি। মতম অদুদা মহাক ৱাংবলগী এগ্রিকলচর ফার্মদা থবক পুবা হৌখি। মফম অসিদা চহী ১৭ থবক পুরল্লবা মতুং কুমজা ১৯৭৩ গী ফেব্রুৱারি ৩ দা ইন্টেন্সিব এগ্রিকলচর এরিয়াজ প্রোগ্রাম (আই এ এ পি) গী প্রোজেক্ট ওফিসর ওইনা প্রমোসন ফংখি। আই এ এ পিগী প্রোজেক্ট ওফিসর ওইরল্লবা মতুং চহী ৩ লৈরগা কুমজা ১৯৭৬ কী নবেম্বর ৫ দা এগ্রিকলচর (এক্সটেন্সন) গী এদিসনল দিরেক্টর ওইনা অমুক প্রমোসন ফংখি। মহাক্না এদিসনল দিরেক্টর ওইরিঙৈ মতম কুমজা ১৯৮০ দা হায় য়েল্ডিং ভেরাইটি ওইরিবা ফৌ মখল *পুন্সি*, *ফৌওইবী* পুথোক্লমখি। মসিগী মতুংদা মহাক্না লৌরম্বা থৌদাংশিং অদুনা লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা হায় য়েল্ডিং ভেরাইটি ওইরিবা অতোপ্পা ফৌ মখল কয়া অমসু পুথোকপা ঙমহনখি।

ষ্টেট লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা হৌজিক ফাওবদা হায় য়েল্ডিং ভেরাইটি ওইরিবা ফৌ মখল নিপাল পুথোকপা ঙমখ্রে। ফৌশিং অদুদি, পুন্সি, ফৌওইবী, অকুৎফৌ, লৈমাফৌ, সনাফৌ, ইরৈমা ফৌ, গিন ফৌ অমসুং পারি ফৌনি। লমদমসিগী লৌমীশিংদা শেম্থোক হেনগৎহনবদা নত্তনা ফৌগী পোত্থোক হেন্না পুথোকপা ফৌ মখলশিং অসি পাইওনর অসিনা লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা লৈরিঙৈ মতমদা অচান-মীরাই নাইদনা পাঙথোক্লম্বা থৌদাশিং অদুননি হায়নসু ঙসিগী লৌমীশিংনা অদুম্মক শোন্দুনা লৈনহৌরি।

লৈখিদ্রবা খুরাইজম ধিরেন্দ্র কুমজা ১৯৮১ গী জান্যুৱারি ৭ তা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী দিরেক্টর ওইনা প্রমোসন ফংখি। মহাক্না লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর ওইরিঙৈ মতমদসু মহাক্কী মখাদা থবক তৌবগী অপেনবা ষ্টাফ খুদিংমক্তা পোক্নখিবা মীশক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লৌউ-শিংউগী দিরেক্টর ওইরম্লবা মতুং কুমজা ১৯৮৫ গী ওক্টোবর ৮ দা মহাক আই এ এস (এম টি) কাদর ওইনা ইন্দক্ট তৌখি। মদুদগী মহাক কুমজা ১৯৮৫ গী ওক্টোবর ১৪ দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার কম দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট ওইনা থৌ পুরকখি। দি সী ওইরম্লবা মতুংদা অমুক মহাক কুমজা ১৯৮৬ কী দিসেম্বর ৪ দগী মণিপুর লৈঙাক্কী ফুদ এন্দ সিবিল সপ্লায় দিপার্টমেন্টতা দিরেক্টর ওইখি। কুমজা ১৯৮৯ গী জুন ১৩ দগী অমুক মণিপুর লৈঙাক্কী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন (আই পি আর) অমসুং টুরিজম দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুবতা নত্তনা মণিপুর স্পাইনিং মিলসকী মেনেজিং দিরেক্টর কম চ্যেরমেন ওইনসু থৌ পুখি। অদুগা কুমজা ১৯৮৯ গী জুন ১ দগী অমুক ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট এন্দ বেক ৱার্ক ক্লাসেসকী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরম্লগা কুমজা ১৯৯০ গী দিসেম্বর ৩১ দা থবক্তগী পোত্থাখি। শক্লাইরবা পাইওনর অসিনা মহাক্কী সার্ভিস কেরিয়রদা লৌরম্বা থৌদাশিং অদুবু লৈঙাক্না শিংথাবগা লোয়ননা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মহাক কুমজা ১৯৯২ দগী ১৯৯৪ ফাওবা মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী মেম্বর ওইহনখি।

লৌউ-শিংউগী থবক তৌরিবা লৌমীশিংনা খুরাইজম ধিরেন্দ্রনা হিংলিঙৈগী মতমদা পায়খৎলম্বা থবকশিং অসি মতম পুম্বদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। শ্রী খুরাইজম ধিরেন্দ্র কোংবা বজারদা লৈবা মশাগী য়ুমদা সেপ্টেম্বর ২৫ দা লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ৮৮ শুখ্রে। খুরাইজম ধিরেন্দ্রনা লৈখিদবদা লমদমসিদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অচৌবা অহোবা অমদি অদুম্মক লৈহৌরগনি। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবসু ফোঙদোক্লরি।

মীওইবা অমনা তৌরম্বা শিংথানীংঙাই ওইরবা থবকশিং অসি মীশক অদুনা লৈখিদ্রবা তুংদা খঙনরকপা ঙাক্তনি। ইকায়খুম্নজরবা অহল অসিগী ফজরবা, তমজনীংঙাই ওইরবা মগুন কয়া অসিবুদি লৌউ-শিংউগী শিনফমদা লৈরিবা মীওই পূম্বগী থম্মোয়দা লেংদনা লৈহৌরগনি।

# হার থম্বা মতমদা চেকশিনগদবা থৌরম খরা

**এস সুমঙ্গল সিংহ**

**লমদমসিগী** লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা মাগী মাগী শীজিন্নবদা চঙগদবা চাং য়েংলগা হার লৈদুনা শীজিন্নরক্লি। মতাং অসিদা হার থল্লিবা অমসুং শীজিন্নরিবা ইচিন ইনাওশিংনা হারগী কান্নবা হৌজিক ফংলিবদুদগী হেন্না ফংনবা পায়খৎপা য়াবা থৌওং খরা খঙজিনবদা কান্নগনি খঞ্জদুনা ঙসিগী হীরম অসি ইজবনি। কান্নবা লৌমীন্নসি।

**হার থম্বা মতমদা চেকশিনগদবা থৌরম খরা ঃ**

১) হার থম্বা হায়বসিমক্তবু খরা ঈংবা, অকংবা মফমদা চোৎলি মাল্লিদবা য়ূমথক ওইগদবনি। হায়রিবসি হারগী গুদাউন্দগী ৱানি।

২) হার মখল খরা পঞ্জরবদা এমোনিয়ম সলফেট নাইট্রেট, য়ুরিয়া, কেলসিয়ম এমোনিয়ম নাইট্রেট অসিনচিংবা হারশিং অসিদি মহৌশানা ঈশিং মনিল চুপশিনগনবা হায়বদি চোৎথোক্কনবা হার মখলশিং ওইবনা কৈদৌনুংদা হাপ্লিবা পাত্রশিং হায়বদি য়োল্লিবা বেগশিং অদু হাংদোক্তুনা থম্বীরোইদবনি। মখুম চেৎনা নৎত্রগা হাল্লিবা বেগশিং চেৎনা পুনশিনবীগনি। হার য়োল্লিবা ইচিন ইনাওশিংনা য়ুরিয়াগী বেগশিং মমাই ফাৎতোল্লগা থম্বা তোয়না থেংনজৈ। মসি অরানবা থৌওংনি।

৩) করিগুম্বা চাইথোক্তবা য়াদবা ফীভম লৈরবসু হার কাইথোল্লবা মতুংদা লেমহৌরিবা হারশিং চেৎনা পুন্দুনা থম্বীগনি।

৪) এমোনিয়ম নাইট্রেটকুম্বা হার খরদি মৈহৌ লাংপোক্তগী য়াম্না চেকশিনবীগনি। মরমদি মৈহৌ লাংপোক্তা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা হার মখলনি।

৫) য়ূমদা হার মখলশিং য়ানশিনবগী থবকসি খুদক্তা শীজিন্নবা নত্তনা য়ারিবমখৈ তৌবিরোইদবনি। য়ানশিন্নখ্রবা হারশিং খুদক্তা শীজিন্নবীগনি। য়োল্লিবা কাঙবুনা কৈদৌনুংদা য়ানশিল্লগা থম্বীরোইদবনি। মরমদি য়ানশিন্নরবা হারশিং মতুম ওইনা তাশিল্লক্কনি। শীজিন্নবদা কান্নবা ৱাৎকনি।

৬) নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসকী হারশিং থম্বা মতমদা কৈদৌনুংদা পূন্না লোনশিন্নদুনা থম্বীরোইদবনি। লোনশিন্নদুনা থল্লবদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগনি। তোঙান থম্বনা তোঙানবা হারশিং লৌথোক লৌশিন্দা খুদোংচাহনগনি। লোয়ননা হার মখল অমদগী থোক্লকপা মনিলশিংনা অতোপ্পা হারগী মগুন হন্থহনবদগীসু ঙাকথোকপা ঙমহল্লি।

৭) কৈদৌনুংদা হার বেগশিং লৈমায়গা তাইননা থল্লোইদবনি। উগী কাংথক শেল্লগা থম্বীগনি।

৮) হারবু হকথেংননা পায়থোক পায়শিন, থাংদোক থাংজিন তৌরিবা মীওইশিংনা হারগী গুদাউন মনুংদা মশা, ফি-রোল নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা পোৎলমশিং পুশিন্দুনা কৈদৌনুংদা গুদাউন মনুংদা চঙবীরোইদবনি।

৯) হারগী গুদাউন থোংনাও ফাৎপগীদি মথৌ তাদে অদুবু ভেন্টিলেটর ফাৎপগী মথৌদি য়াম্না তাই। অদুবু নোং চুবা মতমদদি ভেন্টিলেটর য়াওনা অহোবা খুদিংমক মেনশিনবীগনি। মসিনা হার মতম খরা শাংনা থম্বদা খুদোংচাবা হেল্লি। হার চোৎথোক্তুনা মাঙবদগী কনবা ঙমগনি।

১০) কৈদৌঙৈদা হার মতম শাংনা লীদুনা থম্বীরোইদবনি।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফম কয়া অসিনা গুদাউন শীজিন্নদুনা হার থম্বীরিবা দিলরশিং অমদি এজেন্টশিংদা মরু ওইনা থমজবা ৱাফমনি। মণিপুরনা মাগী মাগী লৌফমদা, ইঙ্খোলদা হার শীজিন্নবদা (চাইবদা) হারগী কান্নবা হেন্না ফংনবা ৱাফম খরগা অমুক থমজগে।

ক) হার চাইবা হায়বসি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরবা মতুংদা দরকারগী মতুং ইন্না চাইবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়জনীংই।

খ) হার শীজিন্নবা মতমদা লৈবাক লৈহাওগী অশিন অয়াক মতুং ইন্না শীজিন্নগদবা হার মখল খনগনি। অয়াকপা লৈবাক্কী অশিনবা হার অদুগা অশিনবা লৈবাক্কীনা অয়াকপা হার শীজিন্নগনি। মণিপুরগী ওইনদি অয়াকপা হারনা খ্বাইদগী ফরে।

গ) হার চবাক ওইনা চাইবা (ব্রোদকাষ্টিং) মেথোদ অসি য়ারিবমখৈ তৌদবনা ফৈ। তঙাইফদবা ফৌ থাবগুম্বা পুংহুন ওইনা হুনবা হঙ্গাম। পরেং নাইনা হুনবদা অকুপ্পা মরু ওইনা হুনবা পাম্বীবশিং নত্তনা অতৈ মফমদদি থারিবা মরুগী নাকন অমদি মখাদা সেন্টিমিটর ৫ থাপ্পনা হার হাপসি।

ঘ) ফোসফরস অমসুং পোটাসকী হারশিং পাম্বী থাদ্রিঙৈ মতমদা খোইজিনবিহৌবনা খ্বাইদগী ফৈ। মরমদি মচিঞ্জাক মখল অনী অসি অশিনবা মণিপুরগী লৈবাক লৈহাওদদি লৈবাক্না ফাজিন্দুনা লৈখিবা মরম্না ঈশিংনা চেন্থদুনা নৎত্রগা চুমথদুনা মাঙদে। তপ্না তপ্না থাদোরক্তুনা পাম্বীনা ফংবা ঙমহল্লি। মসি



মরু ওইনা ফৌ থাবদা অমসুং অকুপ্পা মরুশিং পাক শন্না হুনবা মওংশিংগী মরু ওইনা হায়জবনি। অতোপ্পা পরেং নাইনা থাবা পাম্বীগী ওইনদি পাম্বী থারবা মতুং নৌরিঙৈদা মখোঙ ময়াদা হাপ্পসু য়াই। অসুম্না চাইবা য়াবা ফোসফরসকী হার মখলদি ঈশিংদা তুম্বা মখল সিঙ্গল দবল নৎত্রগা ট্রিপল সুপর ফোসফেটশিং অসিনি। রোক ফোসফেটকুম্বা হারদি পোৎ থাদ্রিঙৈ মাঙজৌননা থা অমা - থা অমমখায় মমাঙদা খোইজিনহৌবনা খ্বাইদগী ফৈ।

ঙ) অমনা অমুক মথক্কী অনী অসি লৈবাক লৈহাওদা হাপখিবা মফমদগী য়াঙনা নৎত্রগা খুৎলৈ থুনা চাথোক্তে, হায়বদি য়াম্না তপ্না চৎলি হায়বনি। মরম অদুনা থারিবা পাম্বীগী মরাগী মনাক্তা হাপ্পা হায়বসি কাউবিরোইদবনি। নৎত্রবদি পাম্বীগী চহীনা হেনখি মচিঞ্জাক্না ফংহৌদা পাম্বী মপুং ফাবা ৱাৎকনি।

চ) পাম্বীবা হার চাইরমদাইদা হার য়ানশিন্নবগী নিয়ম মুন্না তানবগী মথৌ তাই। য়ানশিন্নরবা হার য়ারিবমখৈ খূৎলৈ থুনা শীজিন্নথোক্কনি। মরু ওইনা সুপরগা য়ুরিয়াগা য়ান্নবা মতমদা য়ারগদি লৌবুক্তা তোঙান তোঙান পুথরগা খুদক্তা য়াল্লগা চাইবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

ছ) লৈতানলম- ক্রক ক্রক লাউনা কনবা লৈবাক্তা য়ুরিয়া তাঙ্কক অনীরক্তং থোক্না চাইরবসু থোইদোক্লা কায়দে অদুবু ফোলি তাবা মফমদদি তঙাইফন্দনা অহুল্লক্তগী তাদনা চাইগনি। করিগুম্বদা মতম খরা শাংনা চঙবা পাম্বীদদি তাঙ্কক মরিরক ফাউবা থোক্না চাইবিগনি। অয়াম্বা পাম্বীদা চংগদবা নাইট্রোজেনগী তঙ্খায় অমা পাম্বী থারমদাইদা অদুগা লেমহৌবা তঙ্খায় অদুনা তাঙ্কক মশিংশিংগী চপ মান্নবা চাংদা খাইদোল্লগা তাঙ্কক তাঙ্কক্তুদা চাইগনি।

জ) ফৌদা, মরক্তা হার চাইবা মতমদা য়ারবদি ঈশিং থাদোল্লগা চাইবনা ফৈ।

ঝ) অহানবা লৌ লিংলমদাই নৎত্রগা হুল্লমদাইদা হার চাইবা মতমদা অহানবা তাঙ্কক্তুদা চঙগদবা হারশিং অদু লৈবাক্তা মমুৎ তানা খোইজিনবীগদবনি লোয়ননা য়াদ্রবদি উকাই তকশিনবীগদবনি। ঈশিং ৱাৎপা মফমদদি পাম্বীশিং থারমদাইদা হার হাপ্পগা লোইনা তুংদা হার চাইবদি মনাদা (মরু ওইনা) য়ুরিয়া অসি মনাদা ওইনা ঈশিংদা থিৎলগা পাম্বী পাম্বীগী মতুং ইন্না ১-২.৫% হায়বদি ঈশিং লিটর ১০ দা গ্রাম ১০০ দগী ২৫০ ফাওবা পাম্বী মখল য়েংদুনা য়াল্লগা কাপ্পীগনি। খরা লীরবা পাম্বীদা খরা য়াম্না অদুগা খরা থোৎপা নৎত্রগা অনৌবা পাম্বীদা খরা য়ামদনা য়ানগনি।

ঞ) নীংশিংবা য়াবা অমনা য়ুরিয়া ঈশিংদা থিৎলগা মান্নবা চাইবসি পাম্বী অতৈদসু য়াই অদুবু মরী চৎপা কুকুর্বিট পাম্বীশিং হায়বদি থবী, মাইরেন, খোঙদ্রম, সেবোট, দস-কুশ, কারোট অখাবী, অথুম্বী, খোঙদ্রুম, তোর্বোটনচিংবা পাম্বীদগী কৈদৌনুংদা মনাদা চাইবিরোইদবনি।

ট) অনীশুবা হার চাইবা মতমদা য়ুরিয়া খক্তমক চাইবদা চংগদবা য়ুরিয়াগী চাংদুনা লৌফম শিনবা থুংনা চাইবা কোন্নগদ্রা কোন্নরোইদ্রা চিংনবা ফাওদবা নত্তে। মতাং অসিদা থমজনিংবদি ইঙ্খোলগী লৈবাক্তা মমুৎ তানা য়ানশিন্নরগা অহিং অমা প্লাষ্টিক্লা কুপ্তুনা থল্লগা চাইবা অসিনি। থৌওং অসিগী খুদোংচাবা অমনা করিগুম্বদা লৌফম অদু ঈশিং চাইদুনা লৈরবা, অদুগা ঈশিং ফাৎতোকপসু য়াদ্রবা, অসিগুম্বা ফীভম অসিদদি লৈবাক্না য়ান্নরগা চাইবসি তৌদবা য়াদবা অমনি হায়নসু থমজনীংই।

ঠ) ষস্থি ষণয়ুংগী হার হাপ্পা মতমদা য়ামদ্রবদা থা মখায়দগী অমা মখায়গী মমাঙদা হাপ্পগা খোইজিনবীগনি। লোয়ননা চহী অহুম মরি খুদিংগী শঙমদা ষণ গাড়ী মপোৎ ৭-৮ হাপ্পা ঙল্লবদি য়াম্না ফৈ, তুং কোইনা লৌফম অদু শীজিন্নবা য়াগনি।

ড) ষস্থি ষণয়ুংগী, পাম্বীগী পৎথরবা হারশিং, ভর্মিংকম্পোষ্টনচিংবা হারশিং শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি হায়জনীংই। মসিবু হৌজিক্কী মতমদা আই এন এম হায়বদি ইন্টগ্রেটেদ ন্যুট্রেন্ট মেনেজমেন্ট হায়দনা কন্না হায়নবা ৱাফম অমনি।